# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-24

**(Global Warming and emergence of new disease pattern & other health issues: Who is at more risk)**

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) তোমচৌ - লৌমী
(২) থানিল - তোমচৌগী মচানুপা
(৩) ইমোবা - ঙানবীগী মচানুপা ডোক্তর

নুপীঃ- (১) ঙানবী - স্কুল ওজা
(২) ৰাংলেনথোইবী - তোমচৌগী মচানুপী

(মফম:- খুঙ্গং, মতং : নুংশা শাগৎলকপা মতম শা-ষন খোংবগী মখোল)

তোমচৌ :- হন্দক্কী নুংশা খুশাশি মওং অমনি, ইপাদি লৌবুক্তা কুমদুনা লৌ উববু ঙমদৌবা মান্দরে, ইশাশিসু কৈদৌরবনো খঙদে পংচোক্তা চোকথৈ, খোঙ থাংবফাওবা ঙমগদবা মানশিনলক্তরে।

ৰাংলেনথোইবী :- পাবা! হায়গুল্লদনা হন্দক্তি পাবগী হকচাংসি য়াম্না শোকচিনবদৌনা উই। চাকসু ফজনা চাদে, নুমিদাংসু ফজনা তুম্বা য়াদবদৌনা ফম্মুং ময়াইদা ঐনা মীকপ থোক্লকপদা হেক হেক ফমদুনা লৈরল্লীদুবু করিগীনো?

তোমচৌ :- অহিং অথেংবদা ইপাদি হুমাং হেক হেক কাংঙি অদুগা অমুক লাইহৌসু হেক্তা হৌই।

ৰাংলেনথোইবী :- পাবা! হোস্পিটালদা চৎলগা ডোক্তর স্পেসিয়েলিষ্ট অমদা ফজনা অমুক্তা য়েংথোকলুসি।

তোমচৌ :- (লোক খুবা) অহু ... অহু ... অহু ... অহম ... ইস ইপাগী থবাকসে লোক খুমন্দনা নাবনা লোইরে।

ৰাংলোনথোইবী :- সে পাবা ঈশিং লুম্বু লুম্বু শাবসে খরা অমুক্ত থকচীনবীয়ু।

তোমচৌ :- (ঈশিং থকপা) নবুংদুবু লৌবুক্তা চৎখিবদুবু হৌজিক ফাওবা কারকত্রিসিবু ইপাবু ঙহাক য়েংবীরুসিরা, ইপাসু ঙহাক লৌবুক্তা চৎলুখিগে।

ৰাংলেনথোইবী :- কৈনো পাবনা হায়রিদুবো, পাবগী হকচাংদু য়াম্নসু চোকথবা মানলে, কমাইনা হৌজিকপু লৌবুক্তা চৎকদৌরিবনো, নুংশানা মরোল অমা শারিবা, চৎখিবা য়ারোইকো, তাচৌসু হনলকপা মতম ওইরে, হঞ্জরক্লনি, ঐ চাক থোংনবা অমুক্তা তৌরুখিগে অচৌদি হেক হনলকপগা চাক চাগে হায়ররনি।

তোমচৌ :- হোয় হোয় থোঙলুরো, ইপাদি চানিং থকনীংববু করিমতবু ফাওদেদা।

ৰাংলেনথোইবী :- চানিংদ্রসু খরা নমদুনা চৎশিনদ্রদি পাবা য়াম্না শোনথখ্রনি, হয়েংদি ডোক্তর অমা য়েংথোকলুদবা সুংয়া য়াদে, তাচৌ হেক হনলকপগা তাচৌদসু হায়রগে।

তোমচৌ :- ডোক্তর য়েংদ্রসু য়ানিদা ইপা কৈসু তৌরোই, চুম্নসুম লোক লাইহৌ তৌবা ওইরমগনি, ইপা ঙহাক্তং পোথাগেকো (লোক খুবা)। ইপাগী খনাওসে লোকনা ইফুল ফুনলে।

ৰাংলেনথোইবী :- চা অশাবা অমা লোনলক্কে, খনাওদু অশাবা থক্লগা খরা নুঙাইবরা য়েংশি।

তোমচৌ :- হোয় হোয় লোনলকউ, খঙদ্রে তৌগদবসে হন্দক্তি ফৌসু ফজনা লোক্কদবা মান্দরে, নোং তাগদবা মতমদনা হেক তাদা তারোইদবা মতমদনা হেক তা, নোংজু-নুংশা অইং-অশাগী খল অসিসু মহৌশাগা ইমান মানরকতরে, করিবু থোক্লগবা মালেম পৃথিবী অসে (নোং খোংলকপা) ... ... ইস করিনো মখোলদুবু নোং খোঙবা নৎতরনে, করি মখোলনোনে।

ৰাংলেনথোইবী :- পাবা, সে চাসি থকও, নোংসু পুম্মম মমশিনলকলে, নোং চুগদৌরমানলে, নোংসু খোঙলে, ঐখোয় তাচৌদুবু কোক হনলক্কে হায়দে, হৌজিক ফাওবা কৈদৌ লৈরিজাৎনো।

থানিল :- ইবেন্মা - - ইবেন্মা - - সে ইবুংনা ঙন্মু বোগ্রা অচৌবা অনিখক ফারকই, সি লৌশিনলরো লাওনে।

ৰাংলেনথোইবী :- এ! ঙন্মুসিদি য়াম চাওই, হোরেল লফু ইরোনবদা অমা থাকতোক্লগে, অমনা পাবগী ফজনা মুন্না লৌবিরগা পীজরগে।

থানিল :- পাবদুবু মশা নুঙাইতে হায়হৌবদুবু খরা ফরবরা কমাই তৌরগে।

ৰাংলেনথোইবী :- তাচৌ ঐখোয় পাবসে হন্দক্তি মশাসি য়াম্না নুঙাইত্রবমানলে, হয়েং ডোক্তর অমা য়েংথোকপীরুরসি।

থানিল :- উম! য়েংথোকপীরুরসি, নঙবু চাকপু লোইরবরো, ইবুংদি চাক লাম্বনা লোইরে।

ৰাংলেথোইবী :- থোংবুদি থোংগৎলল্লবনি, প্রপ প্রপ লোয়শিনলক্লগে, তাচৌসু ইরুজথোকলুরো।

তোমচৌ :- (ইমুংদা লোক খুরকপা) ইবেন্মা ... ৰাংলেনথোইবী নবুংবু লাক্লবরনে।

ৰাংলেনথোইবী :- লাকএ পাবা (মপান্দগী খুন্বা) তাচৌ পাবসে লোকসু য়াম খুরে ঐ অমুক্তা য়েংলুখিগে।

তোমচৌ :- হোয় হোয়, তাচৌবু ইরু শৎ লুথোরক্লগে।

--------- ম্যুজিক -----

(মফম : ঙানবীগী য়ুম, মতম : অয়ুক অঙনবা, ডোক্তর য়েংবা লাকপা মীগী মীনিল)

ঙানবী :- এ! পুংসিদি তরেৎ তাশিনলকলেনা, অনাবা য়েংবা লাকপা মীনা সুমাং মাংগোনগাশে পীক চোনলে তৌরিসিদি, হায়মা ইমোবদুবু হৌজিক ফাওবা হৌগৎত্রিবজাৎলনে, কৈদৌরজাৎনোনে মাবো।

ইমোবা :- (মাগী কাদগী) ইমা ... ইমা ... সিদা অমুক্তা চংবীরকও।

ঙানবী :- কৈদৌরগেনে নঙবো, হৌজিক ফাওবা অদুম হীপচিন্দুনা লৈরিদুনা নশা ঙমদ্রবরো?

ইমোবা :- কৈসু তৌদে ইমা, ইশা ঙমদবা নৎতে, ঙরাং নুমিদাং চাক তোল্লগা সুম হীপনা হীপনা গ্লোবেল ৱার্মিং এন্দ হ্যুমেন হেলথ হায়বা আর্টিকল অমমখক সুম পারুবদগী লোয়বা ফাওবা পানিংলক্তুনা পা লৈথোকলুরে অদুনা তুম্বদা খরা থেংদোকখরে, ইমানা অনাবা য়েংবা লাকলিবা ময়ামশে ঙহাক্তং ঙাইবীনবা হায়বীরু, অদুগা শাওদনবসু হায়বীরম্মুকো, ঐ থুনা চীন য়া মাই মিৎ তাথোরকখিগে।

ঙানবী :- খলদ্রে খঙদ্রে নঙসিসু করম থোল্লগবা, নশাগী অঙনবা থবক লৈ হায়রদ্রদি খরসু ঙন্না তুম্নবা হোৎনগদবনি, ঐ হায়বুদি হায়রুগে অদো নঙ খরা থুনদি থোরকওকো।

তোমচৌ :- (লোক খুবা) হা মোয়গী ডোক্তর হায়বদুবু কয়াম ৱাৎলিগে অনাবা য়েংবা হৌগদবসিবো, ইপাদি ঙাইবসিমুক ৱাবা অমতা লৈতে, য়েংদ্রসু হনলসিবা য়ুমদা।

থানিল :- কৈনো পাবা অনাবা য়েংবা লাক্লগা য়েংদনা হনলসি হায়রিসিবো।

তোমচৌ :- (শাওবা) ঙাসাই অয়ুক মমলি মমলি তৌরিঙৈদগীনি ঙাইরকলিবসি, হৌজিক ফাওবা অনাবা য়েংবা হৌদ্রিবসিবু করম কান্দা য়েংগদৌরিবনো হায়বা?

ঙানবী :- ময়াম অমুক্তা লাংবিখিগনু ... শাওবিখিগনু ... ঐ ৱা অমতা হায়জগে ময়ামদা।

থানিল :- করি ওইরবনো, করি তাকপীগদবা ... ঙসি অসিবু অনাবা য়েংলরোইদবরা।

ঙানবী :- য়েংগনি য়েংগনি শোয়দনা য়েংগনি, অনাবা য়েংবা লাকপিরিবা পুম্নমক ৱারসু ৱানা ঙহাক্তং ঙাইবীবা তারে, ডোক্তর য়াম্না থুনা থোরক্লগনি, য়েংবা হৌরগনি, ময়াম পুম্নমক ৱারৌবিবা য়াদে।

ইমোবা :- অনাবা য়েংবা লাকপিরিবা পুম্নমক ইশা ইশাগী সেরিয়েল নম্বর কায়দনা অমমমতং ওইনা চংবীরকও, সেরিয়েল নম্বর ১ চংবিরকও।

ৱাংলেনথোইবী :- তাচৌ লাকও পাবদু পুরকও, অনাবা য়েংবা চংলশি লাকও কৌরে।

তোমচৌ :- থানিল! ইপাবু কোকসু খঙাও ঙাওরকপগুম তৌই, ইপাবু অমুক্তা শমলোরাওনে।

ঙানবী :- আ ... তাদা তোমচৌ নৎত্রনে মানিদা ... হেক্তা হংলগে ... তাদা তোমচৌ নৎত্রনে।

তোমচৌ :- কনানো নঙবো... ঐবু লাকশিনবা ঙমদ্রেনে।

ঙানবী :- ঐ ডোক্তর ইমোবগী মমা ঙানবীনি, মতম অমদা তাদাহোয়গী খুন্দা ইমা-ইচা চংজফম লৌদুনা লৈরন্বী ঙানবীদুনি ঐসে তাদা।

তোমচৌ :- ঙানবী! কুইনা উনখিদ্রবনিনা, শক-চুসু অমতা নীংশিংবা থোক্তরে, মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না শকফমসু লোয়না ওনলবনিনা লাকশিনবা ঙমলুদরে।

ঙানবী :- লাকও তাদা তাদগী অনাবদু হান্না অমুক্তা য়েংথোকখিসি অদুগা অমুক হোরেল তপ্পা ৱারী শান্নরশি ... ইবুংঙো নঙগী খুরাশে অমুক্তা ফজনা য়েংবীয়ুশে। অদুদি তাদা হোরেল য়েংবা লোইরগা ঐঙোন্দা তাকপীরম্মুকো ঐ ইমুংদা অমুক্তা চঙলুখিগে।

তোমচৌ :- ইবুংঙো ডোক্তর খুরাগী হকচাংশে পাংচোক্তা চোকথৈ, হুমাং অনপ্পীসু কাংঙী, চানিং থকনিংবা পোক্তে, লাইহৌসু মরক মরক্তা হৌই, লোকসু অদুম খুই।

ইমোবা :- খুরা লৈদু অমুক্তা তীংথোকপীয়ু ... আ য়ারে য়ারে ... স্বরদু অমুক্তা শাংনা শাংনা হোনবীয়ু।

তোমচৌ :- য়ারদরা ইবুংঙো খুরা শদৌ থোংঙে, স্বর সিসু ইফুল ফুনলে।

ইমোবা :- য়ারে য়ারে খুরা, ঐ হিদাক খরা ইজরগে অদুগা টেষ্ট মখল খরদি তৌথোকপা তারে।

ৱাংলেনথোইবী :- করি করি টেষ্ট তৌগদনো ডোক্তর।

ইমোবা :- মেলরিয়া, টাইফোইদ, দেঙ্গু অদুগা টি. বি. গী মহিক য়াওবরা, হায়বদু টেষ্ট তৌথোক্লগা খঙদোক্লগা মখা তাবা হীদাক অমুক থাসি।

থানিল :- টেষ্টশিংদু হৌজিকমক তৌগদবরা ডোক্তর?

ইমোবা :- উম হৌজিক হেক্তা দাইগ্নোষ্টিক সেন্তর অমদা হেক্তা টেষ্ট তৌথোকপিরুরো অদুগা হয়েং অমুক রিজল্টতু পুরগা লাকপীরো, অনাবা মশা য়াওরকত্রসু অমনা হেক্তা রিজল্টতু পুবিরকপা য়াগনি।

থানিঙ :- অদুদি ঐখোয় অমুক য়ৌজখ্রগে, হয়েং রিজল্ট পুরগা লাকচরগে, চৎচরে ডোক্তর।

তোমচৌ :- ঙাইখোনে ইচাশা, ননে ঙানবীনা চৎলমদাইদা তাকলম্মু হায়রিদুদি, অমুক্তা তাকপিরমখিসি।

ৱাংলেনথোইবী :- ইনে .. ইনে ঙানবী ... ঐখোয় অমুক চৎলগে, অনাবা য়েংবা লোইরে।

ঙানবী :- ওহ চৎলেগে হায়বরা ... তাদা ঐসু নোংমা ইচানুপাগা তাদাহোয়গী খুন্দুদা কোইথোকচরক্কে, লাক্তবা কুইরবনিনা খুন অদু য়াম্না ওনলল্লনি হান্নগা য়াম্না খেন্নরমলগনি।

ৰাংলেনথোইবী :- অদুদি ইনে ঐখোয় অমুক চৎচরগে।

ঙানবী :- চৎলো চৎলো, ইমৌগী মীংদুবু করি হায়বা, ইয়াগীনা করি কৌবা ইনেদি অমতা খঙদরে।

থানিল :- ইচলগীনা, ৰাংলেনথোইবী, ঐগীনা থানিল কৌজে ইনে, ঐখোয় অমুক চৎলে ইনে।

--------- ম্যুজিক --------

(মফম : চীয়াগী লম্বী, মতম : নুমিদাংৰাইরম, নুংশিবা উচেক ৰায়াগী খোঞ্জেল)

ঙানবী :- ইবুংঙো নঙনা অঙাং পিশক ওইরিঙৈদা লৈরম্বা খুনশি নঙবু নীংশিংবা ঙমলিবরা, নুংশিদরা য়েংঙু চীংয়াগী লম্বীশে, ইমানা নঙবু লম্বীসিদা নখৎু শমদুনা চৎখিবা, নঙনা খোঙনা চৎপা ৰারে হায়দুনা নিঙাই তৌখিবা পুন্নমকশিং অদু মীৎশিদা শং শং উরকপগুম তৌই।

ইমোবা :- ইমা ঐদি মতম অদো অঙাং ওইরিবনিনা, জ্ঞান কয়া তাদ্রিবা মতম ওইবনিনা নীংশিংবা কয়াদি ঙমদরে, খুন অসিগা ঐখোয়গা লৈনরিবা মরী অদু অমুক্তা ঐঙোন্দা ফজনা খঙহনবীয়ু।

ঙানবী :- খুন অসি নপাবু পোকপা নবেনগী মপাম লমদমনি, মতম অমদা নপাবু লইরিক তমহন্নবা হোৎনবদা নবেন্না ইংখোল মচেৎ অমতং লৈজবদু ফাওবা য়োম্হোকখি অদুদগী লৈফম লৈত্রদুনা নবেনগী মপাম লমদম খুঙ্গং অসিদা চংজফম লৌদুনা ঐখোয় মতম খরা লৈখি।

ইমোবা :- ওহ! ঐখোয় বাবাবু মী ওইনবা হোৎনবদা ইবেন্না য়াম্না ৰাজখিবোরে, ইবেন্না ৰানা হোৎনজবগী মহৈনা ঐখোয় বাবাসু লৈবাক্লা শকখঙনরবা ডোক্তর অমা ওইবা ঙমখিবনিকো।

ঙানবী :- উম পুন্নমক নবেনগী হোনৎজমলনি, য়েংঙুনে ইমোবা, ঙসিদি খুন অসি য়াম্না ওনলমলে হান্নগী মহৌশাগী খুৎশেমতনা লৈতেংলম্বী খুন অসে উফুল ৰাইফুল অমোৎ অকায়তনা পীক থনলে, উপাল ৰাপাঙ অমতসু নীংথি নুঙাইনা হৌদরে, মসিননি মফম অসিগী মীওই অয়াম্বা লাইনা তিন্না চেনবা মশা মউ ফৎতবা মীওই ওইরক্লিবসি।

ইমোবা :- নহাল ঐঙোন্দা অনাবা য়েংবা লাকলম্বা খুরাদু তোমচৌ হায়বনিকো, মা ঙারাং টেষ্ট তৌবগী রিজল্ট পুরগা লাকউ হায়বনি, ঙরাংদি লাকতে কৈদৌরজাৎনো অমুক্তা চঙলগা য়েংবিরুসি ইমা।

ঙানবী :- হোয় হোয় য়েংবীরুসি, ইমাসু মখোয়দা ঙহাক চংবিরমশি হায়গে খনলমলিবনি।

ইমোবা :- ইমা! হৌজিকশে মালেমসিদা গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদগী অইং অশাগী খল কাইরকপদগী লায়না মখল কয়া মালেমগী মফম অয়াম্বদা শন্দোরক্লবনি।

ঙানবী :- হোয়নে হান্না ঐখোয়গী ইরমসিদা তারমদবা, লৈরমদবা লায়না কায়া হৌজিক্তি শন্দোরকপগী রিপোর্ট লৈরে, মসি পুন্নমসি গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা হান্না লায়না মখলসিং ঐখোয়গী ক্লাইমেটিক কন্দিসন অসিদা শন্দোকপা ঙমলমদবশিং অদু ক্লাইমেট চেঞ্জ ওইরকপদগী শন্দোকপা হৌরকলেদনা।

ইমোবা :- ইমা খুরা তোমচৌহোয়গী য়ুমশিবু কয়াম ৱাৎলিবগে য়ৌগদবা।

ঙানবী :- তু আদা কোম্হোং অমা উরিশে, গাড়ীদু স্বাইদা ওইনা খামলল্লগা থমলমসি।

ইমোবা :- হোয় ইমা (গাড়ী খাম্বা), লাকও ইমা ঙহাক চংলল্লগা থুনা হনখিসিকো, ঐ ঙসি থবক অরুবা অমা লৈহৌই।

ঙানবী :- হোয় হোয় ... কৈনো তাদাহোয়গী য়ুমশিবু কনামতা লৈবা উদেনে। ইবেম্মা ৱাংলেনথোইবী ... থানিল ... তাদা ...।

ৱাংলেনথোইবী :- (ইমুংদগী) কনা ওইবরনো ... হায়মা ইনে য়াম থাজদনা কদোমদগীনো তৌবিরকইসিবো, কদায় কদায় চৎপীরুবনো ... আ ডোক্তর য়াওবিরকই, সোমদা ... সোমদা হেক্তা কাখৎপিরকউ।

তোমচৌ :- ইবেম্মা কনা লাক্কেনে, মপান্দা নঙগা ৱারী শানরিদুবো কনাগনোনে।

ৱাংলেনথোইবী :- পাবা! ইনে ঙানবীনা ডোক্তর গা লাকইএ।

তোমচৌ :- (থোরকপা) ইবুংঙো ডোক্তর, ঙানবী নমা নচাদি ঐখোয়সিদসুম লাকপরা কদাই কদাই চৎলুগে নখোয়বু।

ঙানবী :- খুনসিদা লাকতবা কুইরে হায়দুনা ইমা ইচা হৌনদুনা হেক্তা লাকলবনি, তাদাগী অনাবসু করম তৌরগে য়েংলুসি হায়দুনা চঙলকপনি।

ইমোবা :- খুরাদি নাববু পুংফ ফরমলেনে, নহালগী মওংদুগা হায়রুরদি, টেষ্টকা অমতা তৌবিরুদ্রবরো ঙরাং লাকপীয়ু হায়খিবসু অদুম লাকতরে।

ৱাংলেনথোইবী :- ডোক্তরনা ইবিরকপা হীদাক্তু লৈরগা চাবদগীদি পাবগী লাইহৌদু খঙহন হনখরে অদুদদি টেষ্ট তৌবগা অমতা চৎশি য়াদরে।

ঙানবী :- নবুংদি লৈতবরা ইবেম্মা, মাদি কদায়দা চৎখি।

ৱাংলেনথোইবী :- ঐখোয় তাচৌদি অয়ুক মমলি মমলি তৌরিঙৈদগী লৌবুক্তা চৎলুনি হায়দুনা চৎখিবদগী হনলকত্রি।

তোমচৌ :- খঙদ্রেদা ঙানবী, লৌমী ঐখোয়গীদি লৌবুক্তা কুমদুনা লৌ উদ্রবদি করিদি উপাই লৈরি, অতোপ্পা শিনফম অমতসু তৌনিঙাই লৈতে, ঐনা হন্দক হকচাং খরা ঙমদবসিদা ইচানুপা থানিলসু য়াম্না ৱাজরে।

| | | |
|---|---|---|
| ইমোবা | :- | খুরা! খুরানা হকচাং খরা ফরমবসে য়াম্না নুঙাইরে, ঐদি খুরাগী লাইওংদু উরুরগদি ট্যুবরক্যুলোসিস হায়দি টি বি ওইরমগদরা হায়না চীংনরুবনি, লাইহৌ হৌবা খোৎপদি করিমতা তৌদ্রবরা খুরা। |
| তোমচৌ | :- | লাইহৌগা অমতা হৌদরে হৌজিক্তি, চানিং থকনিংবসু ফাওরে। |
| ইমোবা | :- | য়াম্না ফরে অদুদি খুরা, হৌজিক মালেমসিদা অইং অশাগী খল কাইরকপদগী লায়না মখল কয়া অমসু শন্দোরকলি, মীশি মীনা কয়া থোকহনলকলি। |
| থানিল | :- | (চংঙকপা) হায়মা ডোক্তর হোয় ইনেহোয় লাকপিরমলি, ঐখোয় পাবাসে মশা খরা ফগৎলকপসিদা ডোক্তরগী নাক্তা চেকঅপ চৎশিগা অমতা য়াখিদরে, ডোক্তরনা টেষ্ট তৌরকউ হায়বশিংদুসু অমতা তৌবা চৎশি য়াদরে, ঙাংনবগা অমতা য়াদে, ডোক্তর হোয় লাকপসি য়াম্না ফরে। ইবেম্মা নঙবু ইনেহোয় ডোক্তর হোয়না থক্লবা চাগা অমতা লোন্দ্রবরা? |
| ৰাংলেনথোইবী | :- | লোনলুরগে তাচৌ, ইনে ঙহাক ফমবীরম্মু চা লোনলুখিগে। |
| ঙানবী | :- | ইবুংঙো থানিল নঙবু লাইরিকতি কদাই ফাওবা তমহৌবগে। |
| থানিল | :- | ইনে ঐ বি. এসসি. লোইরগা মখা তমথবা নাতে অমা চাদ্রদুনা অদুম তমথদরে, লৌ খরা উ, ইংখোল খরা কোই তৌদুনা অদুম লৈরে। |
| ইমোবা | :- | ৰাংলেনথোইবীদি হৌজিক করি তমলিগে। |
| তোমচৌ | :- | নচলসিসু বি. এসসি. ফাৰ্ষ্ট সেমিষ্টর দি কাজরবনি অদুবু খুরানা লাইরবা ওইরুবনা মচিল মৌপ্পাসে ফজনা শেন্নীবা ঙমদরে, খঙদরে খুরানা তৌগদবসে। |
| ঙানবী | :- | তাদা ঐসু অঙন্বা মতেং তৌজগে, অঙাং অনিসি মাগী মাগী হীংনবা লন্নী অমমমদি শেমবিদবা য়াদে। থানিল নঙনা লাইরিক মখা তমনিংলবদি ইনেনা লোয়না য়ানবা শিনবিগে, নঙবু মখা তমথগে হায়বরা? |
| থানিঙ | :- | ইনে পাবনগা মশাসি ইকন কনলকতনে, ঐনা লাইরিক মখা তমথদুনা লৈরবদি লৌশিং ইংখোল শমবল য়েংশিনবিনবা কনামতা লৈররোই অদুনা ঐ লাইরিক মখা তমথররোই, ঐখোয়গী ৰাংলেনথোইবী ওইনা মখা ফজনা তমথহনলসি। |
| ইমোবা | :- | ৰাংলোনথোইবী নঙবু বি. এসসি. সি লোইরগা করি তমথগে খনলিগে। |
| ৰাংলেনথোইবী | :- | উম দাদা ডোক্তর, ঐদি ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স তা মাষ্টর তৌনিংঙি, অদুগা মথং মথং রিসার্চ কা তৌথরগা সাইন্টিষ্ট ওইনিংঙি অদুবু ঐখোয় ইমুংগী হৌজিক হৌজিক ওইরিবা মওংসিদদি লাইরিক মখা তমথবা ঙমগদবা মানদরেদা। ইনে ... দাদা ... চা সিদা থমলগে ... পাবাগীসু সিদা লৈরে। |
| থানিল | :- | ইমৌনবু তমগে হায়রদি ইনেনা তমহনগনি, ইমৌগী করি ৰাৎকনি ইনেহোয় লৈরিসিদি, ঐখোয় ইমোবনসু নঙনা খঙদবা হৈতবা পুম্নমক লমজিং লমতাকচগনি। |

তোমচৌ :- ঐনা হন্দক ইশা ঙমদবসিদি ঈশ্বরনা নখোয় নমা নচাগা উনৌ তমবিরম্বগা চপ হেক মানরে, ইয়া ইমোবনা ডোক্তর ওইরম্বসিদি ওন্থোক্লা নুঙাইরে, নখোয়না ঐখোয়দগীদি লৌশিং জ্ঞান পুম্নমক হেল্লিবনি, ঐগী ইচানুপী ৰাংলেনথোইবী অসে নখোয়না মতিকচাবগী নুপী অমা ওইনবা শেমবী শাবীয়ুকো।

ৰাংলেনথোইবী :- দাদা ইমোবা, হৌজিক মালেমগী মফম অয়াম্বদা শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী গ্লোবেল ৱার্মিং থেরাকপদগী ঐখোয়গী লমদাম অসিদসু হান্না অমুক্তা থেংনরকত্রিবা দিজিস মখল কয়া থেংনরক্লি অদুগা অমুক ঐখোয়না মালেম অসিদগী মরু ফংনা মুথৎখরে খনলুরবা লায়না কয়া অমসু অমুক ইনৌ নৌনা শন্দোরকপগী পাউ কয়া অমা থেংনখরে।

ইমোবা :- অচুম্বনি হৌজিক মালেম অসিদা ক্লাইমেট চেঞ্জ না মরম ওইরগা চাগাজ দিজিজ, লৈশমানিয়াসিসনচিংবা লায়না মখলশিং অসিসু শন্দোরকপগী চাং হেনগৎলকলি।

তোমচৌ :- ইবুংঙো চাগাজ দিজিজ হায়রিবসিবু করিনোনে, অদুগা অতৈ অতৈ নঙনা হায়রিবা লায়না মখলশিং অসিদি মান্মাখোয়দি তাবদি লায়রদনা হায়বা ফাওবা থোক্তে।

ইমোবা :- মান্মা চাগাজ দিজিজ হায়রিবা লায়না অসি ব্রাজিলগী ফিজিক্সিয়ান কার্লোজ চাগাজ হায়রিবা মীওই অসিনা ইং ১৯০৯ দা ইহান হান্না পুথোকখি, হায়রিবা লায়না অসি মাগী মমিং লৌদুনা চাগাজ দিজিজ হায়না খঙনখি। হায়রিবা লায়না অসি ট্রাইপানোসোমা হায়রিবা পারাসাইট মখল অসিনা শন্দোকপনি। ট্রাইপানোসোমা অসি ইনসেক্ট ভেক্তর শিংনা শাশিংদগী পুরক্লগা ঐখোয় মীওইবদা অমুক শন্দোরকপনি। হায়রিবা লায়না অসি অমেরিকাগী খুঙ্গংগী লমশিংদনা অয়াম্বা শন্দোকলমবনি হৌজিক্তি মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদা শন্দোরকপগী পাউসু লৈরে, পুম্নমকশি ক্লাইমেট চেঞ্জ ওইরপদগীনি।

ঙানবী :- হৌজিক্তি মেলরিয়া, দিঙ্গু, জিকা কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিং অসি শন্দোরকপগী চাংসু য়াম্না ৰাংখৎলকলে অমদি হান্না মফম খরতদা শন্দোকলম্বা অদু অতোপ্পা হান্না লায়না অসি শন্দোকলমদবা মফম কয়া অমদসু শন্দোরকলি পুম্নমকসি শাবগী চাং ৰাংখৎলকপা অমদি হ্যুমিদিতি গী চাং ৰাংখৎলকপদগী ওইরকলিবনি।

ইমোবা :- মান্মসু নাবা খরা ফরবনিনা, ঐখোয়সু অমুক হনলগে, ঐখোয়দা পুল্লপ মোংমা চাক চারা অমতংদা ওইরসু হাওনা চামিন্নশি।

ঙানবী :- অদুদি তাদা ঐখোয় অমুক য়ৌজরগে, থানিল, ৰাংলেনথোইবী চৎলগেকো।

থানিঙ :- হোয় ইনে, ঐখোয়সু অমুক নোংমা লাকচগে (গাড়ী থৌখিবা)

----------- ম্যুজিক ----------

(মফম : হোস্পিটাল, মতম :  অয়ুক পুং ১০ মুক তারকপা মতম, মীয়াম লাংবগী মখোল)

ৰামলেনথোইবী :- দাদা ইমোবগী কাসিবু করমবনোনে, ... উম অসোম মমাংলোমগী কসিদা ওইনা অমুক য়েংলুরগে, সিদা নেম প্লেট থোৎলিবশিং অসিদা য়াওবরা অমুক্তা য়েংখিগে।

ইমোবা :- (তুংলোমদগী) ৰাংলেনথোইবী কনা কৈদৌরে, অনা অয়েক্পা য়াওরবরো, কনানো নঙনা থীরিদুবো।

ৰাংলেনথোইবী :- হায়মা, ঐদি দাদা ডোক্তর উনগে লাকচরিনে, নুঙাইবা পাও অমা তমগে হায়দুনা।

ইমোমবা :- করি পাওনো নুঙাইবা পাও হায়রিসিবো, লাকও ঐগী কাদা ঙহাক ফমলুখিসি অদুগা নঙগী নুঙাইবা পাওদু তমলরো লাকও।

ৰাংলোনথোইবী :- দাদা ঐ ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সতা পি. জি. তম্নবগী ইন্ট্রান্স টেষ্ট য়াওখিবদো সেরিয়েল নম্বর ৱান দা সেলেক্ট তৌরে, হায়গে তৌবনিদা।

ইমোবা :- অদুদি য়াম্না নুঙাইবা পাওনিনা, ৰাংলেনথোইবী নঙ লাইরিক ফজনা তমদুনা মীকোক থোংবী নুপী অমা ওইদবা য়াদবনিকো।

ৰাংলেনথোইবী :- ঐনা ঙসি পি. জি. তম্বা ঙমজগদৌরিবসি দাদা অমদি ইনেনা হোনৎবীবদগীনি, দাদাহোয় থেংনরমদ্রবদি ঐ লাইরিক মখা তম্বা ঙমলম্লরোইদবনি।

ইমোবা :- ঐনা হেক ঙমলিবমখৈ নঙগীদমক হোৎনগনি, লাকও কান্টিন্দা কোফি অমমম থকলুসি।

ৰাংলেনথোইবী :- হোস্পিটালসিদা লাকঅদি অনাবগী অনাবা ঙাক্তা, মীপুম খুদিংমক নারবোই খনলি, অদো দাদা নহালখৈ লাকপদা অমুক্তা ঙসিগী সুমাইনা অনাবা য়েংবা লাকপা মীশি অসুক য়াম্বসি থেংনরকত্রি। অনাবগী মশিং অসি নোংমা নোংমগী অসুম হেনগৎলকলমানলে।

ইমোবা :- হন্দক্তা চাওখিবা ঈশিং ইচাও অদু হনথখ্রবা মতুংদা মীওই কয়া কোলেরা, দাইরিয়া, দাইসেনত্রি নচিংবা মাইক্রোওর্গানিজমশিংনা থোকহনবা লায়নাশিং লাইচৎ ওইনা শন্দোরকপদগী মীওই কয়া নাদুনা হোস্পিটালাইজ তৌরকপদগী মী অসুক য়াম্না চিনলিবনি।

ৰাংলেনথোইবী :- দাদা মতম চাদনা নোং চুবা, নোংজু থাগী মতমদনা নোং তাদদুনা ইকং থোকপা, খঙহৌদনা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলকপা, য়ুহা হারকপা চীং নীংখাইরকপা মরম কয়া অমা থোরকপদগী মীওই কয়াগী পুন্সিসু ফংলিকো দাদা, পুম্নমকসে মালেমসিদা ক্লাইমেট চেঞ্জ ওইরকপদগীনি।

ইমোবা :- লাকও কান্টিন য়ৌরে, সিদা হেক্তা ফমলসি, টেম্পেরেচর ৰাংখৎলকপা অমদি নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং হেনগৎলকপা অসিনা কাং হয়িং অমদি তীলশিংগী মশিং কা হেন্না হেনগৎকলপগী শা-ষন অমদি ঐখোয় মীওইবদা লায়না কয়া শন্দোরকলি। ইহে ঐদি ৰারীদা কোফি ওরদর তৌবগা লোয়না কাওরে। সোমদা কোফি অনিগা আলু চোপ অনিদগা পুবিরকউ।

ৰাংলেনথোবী :- দাদা হৌজিক মালেমসিদা লৈনা কয়া শন্দোরকলিবা অসিদা খ্বাইদগী খুদোংথিবা নঙলিবা মীওইশিং অসি লাইরবা ময়ুম মকৈ নীংথি নুঙাইনা লৈজদবা, মচী ওইবা চীঞ্জাক চাবা ফংজদবা মীওইশিং অসিনিকো।

ইমোবা :- উম অচুম্বনি, ক্লাইমেট চেঞ্জনা খ্বাইদগী শোকহনলিবা মীওইশিং অসি লাইরবা ময়ুম মকৈ লৈজদবা মীওইশিং অসিনি।

ৰাংলেথোইবী :- দাদা কোফি থমলমবগা অমতা উহৌদরে, ইংখ্রনি থকঅসি, মালেমসিদগী মরু ফংনা মুৎখ্রে খনলুরবা লায়না কয়া হৌজিক অমুক হন্না ইনৌ নৌনা শন্দোরকপগী রিপোর্ট লৈরে হায়সি চুম্মীকো দাদা।

ইমোবা :- উম চুম্মী, এন্থ্রাক্স, মোংকি পোক্স, জিকা ভাইরস, কোলেরা, দিঙ্গু, ৱেষ্ট মিদ ভাইরস, হেন্টা ভাইরস অসিনচিংবা লায়নাশিং অসিনি। ইং ২০১৬ কী জুলাই থাদা রেনদিয়র হায়রিবা শা মখল অসিদা এন্থ্রাক্স লায়না শন্দোরকখি অমদি য়াম্না তেনবা মতমদা রেনদিয়র ২,৩০০ রোম শিখি।

ৰাংলেনথোইবী :- এন্থ্রাক্স হায়রিবা লায়না অসি এন্থ্রাক্স বেশিলস হায়রিবা বেক্টেরিয়া মখল অসিনা শন্দোকপনি, অনাবা শাশিং অসিগা লোয়নরুবা শোক্লরুবা মীওই কয়াসু লাইনা অসি নারকখি। মীওইবশিংগী উনশা, লংস অমদি ইনষ্টেসটাইনদা হায়রিবা লায়না অসিনা শোকহনলি।

ইমোবা :- নঙদি য়াম্না মমুৎ তানা ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইরগা থোকহনলকপা লায়নাশিংগী মরমদা য়াম্না খংলমলে, এন্থ্রাক্স লায়না অসি ইং ১৯৪১ অদুৱাইদগী মালেমসিদগী পুংমুৎ মুৎখরে হায়না লৌরুরবনি। অদুবু মালেমসিদা ক্লাইমেট চেঞ্জ থোরকপদগী অমুক হন্না লায়না অসি মালেমসিদা শন্দোরকলি।

ৰাংলেনথোইবী :- দাদা থেংজিনললে ঐ হন্নবা তৌরগে, পাবাদুসু অমুক মশাদু ইনুং নুঙাইতে হায়দুনা তৌহৌই।

ইমোবা :- ঐখোয়দা চঙলুখিসি অদুগা ঐখোয় ইমাগা নোয়দা পুন্না চৎমিন্নরসি, ইমাগা ঐগনা থীনবিরগে চৎশি লাকও।

--------- ম্যুজিক ----------

(মফম : তোমচৌগী য়ুম, মতম : সন্ধ্যারাইরম, শা-ষনশিংনা খোংবগী মখোল)

থানিল :- পাবা অমুক হীপতুনা লৈরদি কৈদৌরে, হকচাং অমুক নুঙাইত্ৰবরা?

তোমচৌ :- ইপা কৈসু তৌদে সুম ঙহাক পোথারমবনি।

থানিল :- কৈনো সন্ধ্যাগী মতমসিদা পাবানা তুমীন্না ফৈজুপ সুপচিনলগা হীপলমলিসিবো।

তোমচৌ :- (শাওবা) মীনা কৈসু তৌদে হায়রমক্তদা পংহংদা হেক হংঙি। ৰাংলেনথোইবীদুনা ইবুংঙো ডোক্তর ইমোবগা উনরুনি হায়দুনা চৎখিবদুনা হৌজিক ফাওবা লাত্রিসিবু কৈদৌরজাৎনো।

থানিল :- কৈসু তৌরমলোই অদুম লাকচনি পাবনা অমুক ৱারুদ্রসু জ্ঞান তাবি ইচলনি অদুম লাকচনি।

তোমচৌ :- জ্ঞান তাবা তাদবগী ৱা নৎতেনে অশোয় অঙাং থোকপা হায়বসিবু ঐখোয় মীওইবগী পুন্সিদা তন্বা ঙম্বরনে।

থানিল :- ঐখোয় থোংঙ্গালদা গাড়ী অমা খামখিবসিবু কনাগী গাড়ী ওইজাৎনোনে ... এ! সিদি ইমোবগী গাড়ী ওইরমানলেনে ... ইমোবা, কনা কনা য়াওরক্কে নতোমতরা?

ঙানবী :- ঐসু য়াওরকই ইবুংঙো, নচল নুপীসে থেংজিনলকপসিদা মতেমতা থদোরকপা নুঙাইত্রদুনা ঐখোয় পুল্লপ হেক্তা মাবু থীনবা ওইনা লাকইনি। তাদদি লৈত্রো কদায়দা চৎখিগে।

তোমচৌ :- ঙানবীরা, কনানো লাইদুবো থানিল।

ৱাংলেনথোইবী :- পাবা ঐ থিনবীরকইনে ইনেগা দাদা ডোক্তর গানা পাববু কৈদৌরগে অমুক হীপ্তুনা লৈরদি।

তোমচৌ :- খঙদে ঐসে কৈদৌরবনো, হকচাং খরা নুঙাইরবরা খনলুবনি নোংনিসিদি, ঙসিদি সন্ধ্যাৱাইরমসিদা লাইহৌ অমুক হৌবদৌনা তৌই।

ইমোবা :- ঐনা নহালনা টেষ্ট খরা তৌথোপীরকউ হায়বদু তৌবীরম্লবদি, হৌজিক নারিবা লাইওংদু খঙদুনা, লায়নাদুগা চান্নবা হীদাক থাদুনা অনাবা ফরদবনি।

থানিল :- হয়েংমক টেষ্টশিংদু তৌথোকলুরসি, পাবনা য়াদবগা য়াররোই।

ঙানবী :- হৌজিক্ত মালেমসিদা গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদগী লায়না কয়া নারক্কবগী মরম ওইরবনি অদুনা ঐখোয় চেকশিনশিকো।

------------ ম্যুজিক ------------